# কালিঙ্গা লেন্সর্সনা দবঙ মুম্বাইবু ফাইনেলদা পাঞ্জল ৪–১দা মায়থিবা পীদুনা হোক্কি ইন্দিয়া লীগকী টাইটল লৌখ্রে



*হোক্কি ইন্দিয়ান লীগ ২০১৭ দবঙ মুম্বাই থোইদুনা টাইটল লৌবা ঙমখ্রবা কালিঙ্গা লেন্সর্সকী শান্নরোইশিংনা হরাওবা ফোংদোকপা*

*চান্দিগর, ফেব্রুৱারি ২৬ ঃ*

ঙসি চান্দিগরদা শান্নখিবা কোল ইন্দিয়া হোক্কি লীগ ২০১৭ গী ফাইনেল মেটচতা কালিঙ্গা লের্ন্সসনা দবঙ মুম্বাইবু পাঞ্জল ৪–১ দা মায়থিবা পীদুনা টাইটল লৌখ্রে। অদুগা অহুমশুবা পোজিসন্না উত্তর প্রদেশ ৱিজার্দসনা দিল্লি ৱেবরাইদর্সপু পাঞ্জল ৫–৪ দা থোইদুনা লৌখ্রে।

ঙসি ইন্দিয়ান লীগকী ৫ শুবা সিজনগী চন্দিগরদা অহানবা শান্নখিবা মেটচ অদু লীগ অসিগী অহুমশুবা পোজিসনগী মেটচনি। মদুদা উত্তর প্রদেশ ৱিজার্স অমসুং দিল্লি ৱেবরাইদর্সগা শান্নখি। চথরিবা হোক্কি ইন্দিয়ান লীগ অসিগী তোঙানবা চৎন–পথাপ অমগী মতুং ইন্না ফিল্ড গোল অমা চনবদা স্কোর অনী ফঙলি অদুগা পেনালটি কোন্নরগী পাঞ্জলনা স্কোর অমা লৌরি।

দিল্লি অমসুং উত্তর প্রদেশকী লম্বা অদু অহুমশুবা পোজিসনগীদমকনি। মদুদা অহানবা ক্বার্টরগী অরোইবা মিনটতা দিল্লি ৱেবরাইদর্সকী মাইকৈদগী জাষ্টিন রিদ রোসনা ফিল্ড গোল অমা চন্দুনা উত্তর প্রদেশ ৱিজার্সপু মখোয়না পাঞ্জল ২–০ দা মাংজিল থাখি।

থংনবা মিনট অহুম লৈরগা উত্তর প্রদেশ ৱিজার্সকী সমসের সিংহ না ফিল্ড গোল অমা চল্লগা অনীশুবা ক্বার্টর অদুদা টিম অনীমক পাঞ্জল ২–২দা লৈখি।

অনীশুবা ক্বার্টর লোইদগদবা মিনট ৬ খক ঙাইরবা মতমদা দিল্লি ৱেবরাইদর্সকী মাইকৈদগী কেপ্টেন রুপিন্দর পাল সিংহ না পেনালটি কোন্নর অমা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা উত্তর প্রদেশ ৱিজার্দসপু পাঞ্জল ৩–২ দা মাংজিল থারগা মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপা মিনট ৬ চঙল্লিকপদা রুপিন্দর পাল না অমুক হন্না পেনালটি কোন্নর অমা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা য়ু পি বু পাঞ্জল ৪–২ দা মাংজিল থাদুনা চৎখি।

ইকান কান্নদনা উত্তর প্রদেশ ৱির্জাদসকী গোজালো পৈলাটনা পেনালটি কোন্নর অমা চন্দুনা স্কোর বোর্দ অদু মখোয়গী ৩ অমদি দিল্লিগী ৪ লৈখি।

শান্নবগী ৫৭ শুবা মিনটতা উত্তর প্রদেশ ৱির্জাদসকী ওগষ্টিন মাজিলিনা ফিল্ড গোল অমা চন্দুনা দিল্লি ৱেবরাইদসপু পাঞ্জল ৫–৪ দা থোইদুনা অহুমশুবা পোজিসন অদু মখোয়না লৌখি।

মখা তানা টুর্নামেন্ট অসিগী চান্দিগরদা অদুমক পাংথোকখিবা ফাইনেল মেটচতা কালিঙ্গা লেন্সের্স অমসুং দবঙ মুম্বাইনা লম্বা তৌনখি।

মেটচ অদুগী হৌরকপা ১৮ শুবা মিনটা কালিঙ্গা লের্ন্সসকী মাইকৈদগী গ্লেন তর্নরনা ফিল্ড গোল অমা চন্দুনা দবঙ মুম্বাইবু পাঞ্জল ২–০ দা মাংজিল থাদুনা চৎখি। ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফ লোইগদবা মিৎকুপ অমা খক ওইরবা মতমদা কালিঙ্গা লের্ন্সেসকী মাইকৈদগী ফঙখিবা পেনালটি কোন্নর অমা টিম অদুগী কেপ্টেন মোরিটস ফুষ্টৈনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা হাল্ফ অদু লোইশিল্লকপা কালিঙ্গা লেন্সর্সনা দবঙ মুম্বাইবু পাঞ্জল ৩–০ দা মাংজিল থাদুনা চৎখি।

অনীশুবা হাল্ফ মিনট ৩ চঙশিল্লকপদা দবঙ মুম্বাইগী মাইকৈদগী অফান য়োসুপ্পা ফঙখিবা পেনালটি কোর্নরগী খুদোংচাবা লৌরগা পাঞ্জল চন্দুনা শোংথখিবা পাঞ্জল অহুমগী মনুংদা অমা হন্দোকপা ঙমখি।

ফাইনেল মেটচ অদুগী লোইগদবা মিনট ১ খক ঙাইরবা মতমদা কালিঙ্গা লেন্সর্সকী মাইকৈদগী ফঙখিবা পেনালটি কোর্নর অমা মমাংদা পাঞ্জল চনবা ঙমখ্রবা ফুর্ষ্টৈনা পাঞ্জল অমা ওন্থোক্তুনা ৪–১ দা হেন্দুনা ঙসি শান্নখিবা হোক্কি ইন্দিয়ান লীগ ২০১৭ গী টাইটল অদু কালিঙ্গা লের্ন্সেসনা দবঙ মুম্বাইবু পাঞ্জল ৪–১ দা চেম্পিয়ন ওইখি।

## ইন্দিয়াগী সুট্টর রাজপুট ৫ শুবা তাখ্রে, হরবিন্না ৭ শুবা পোজিসন ফঙখ্রে

*ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারি ২৬ ঃ*

ন্যু দিল্লিদা লৈবা ডাঃ করনি সিংহ সুট্টিং রেঞ্জসতা পাংথোক্লিবা ইন্টর্নেসনেল সুট্টিং স্পোর্টস ফেদরেসন (আই এস এস এফ) ৱার্ল্ড কপ্তা ইন্দিয়াগী সবিজ রাজপুট নুপাগী মিটর ৫০ গী রাইফল ৩ পোজিসনগী কম্পিটিসনদা ৫ শুবা তাখ্রে। অদুগা ইন্দিয়াগী সুট্টর হরবিনশ্রাওনা নুপীগী মিটর ১০ গী এয়র পিষ্টোল ইভেন্টতা ৭ শুবা পোজিসন ফঙবা ঙমখ্রে।

ইন্দিয়াগী সুট্টর সবিজ রাজপুটনা ন্যু দিল্লিদা পাংথোক্লিবা আই এস এস এফ ৱার্ল্ড কপকী নিনি শুবা নুমিৎতা শরুক য়াখিবা নুপাগী মিটর ৫০ গী রাইফল ৩ পোজিসনগী ইভেন্ট অদুদা পুন্না পোইন্ট ৪২০.৬ ফঙলগা ৫ শুবা পোজিসন তাখিবনি। পনবা য়াবদি রাজপুট সিংহ না প্রোন পোজিসন লোইশিল্লকপদা পোইন্ট ৩০৫.৫ ফঙলগা নিলিং পোজিসনদগী থাক অনী হায়গৎলগা অহুমশুবা পোজিসনদা লৈখিবনি।

মহাক্না প্রোন পোজিসনদা কন্মিসন অদুগী লুচিংবা স্বিজর্লেন্দগী সুট্টর জানলোপবিল্লরগা পোইন্ট মান্নদুনা লাকখি। অদুবু কন্মিসন অদুগী স্টেন্দিং সোটতা মহাক্কী মাইকৈদগী কাপখিবা পোইন্ট অদু য়াম্না ফজবা ঙমখিবদগী মরিশুবা তাখিবা মরমনা পুন্না পোজিসন অহুমগী পোইন্ট য়েংনরুবদা ৫ শুবা পোজিসনদা লৈহৌবনি।

নুপীগী মিটর ১০ গী এয়র পিষ্টোলগী ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী সুট্টর হরবিন্না ক্বালিফিকেসন রাউন্দদা পোইন্ট ১১৩.৬ ফঙলগা সুট্টর ৮ গী মনুংদা ৭ শুবা তারগা ফাইনেল য়ৌরকনি।

অমরোমদা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরম্বী ইন্দিয়াগী হিনা সিন্ধু ইভেন্ট অদুদা ফাইনেল রাউন্দ য়ৌবা ঙমখিদে। হরবিন্না ফাইনেল রাউন্দদা মকোক থোংবা সুট্টরশিং অদুবু লম্বা তৌবা ঙমদনা পুন্না পোইন্ট ১৩৩.৬ ফঙলগা ৭ শুবা পোজিসন তাখি। ইভেন্ট অদুদা চাইনাগী লিন য়ুমেন অমসুং জং মেংজুনা মথংশিংনা পোইন্ট ২৪০.৮ অমসুং ২৩৭.৮ ফঙলগা গোল্ড অমসুং সিলভর মেডল লৌখি। লোয়ননা সিঙ্গপুরগী সুন জৈনা পোইন্ট ১২৭.৪ ফঙলগা ব্রোঞ্জ লৌখি।

# য়ুক্রেনগী স্বিটোলিনানা ডুবাই ওপন সিঙ্গলস টাইটল লৌখ্রে

*ডুবাই, ফেব্রুৱারি ২৬ ঃ*

য়ু এ ইগী ডুবাই সহরদা পাঙথোকপা ডুবাই ড্যুটি ফ্রি টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা য়ুক্রেনগী এলিনা স্বিটোলিনানা টাইটল লৌখ্রে।

ঙরাং শান্নখিবা নুপীগী ফাইনেল মেটচ অদুদা স্বিটোলিনানা মমাংদা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরম্বী দেনমার্ক্কী কেরোলিন ৱাজনিয়াকীবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা মায়থিবা পীদুনা টাইটল অদু লৌবা ঙমখিবনি।

নিংশিংবা য়াবদি টুর্নামেন্ট অসিদা ৭শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইনা শরুক য়ারকখিবী এলিনা স্বিটোলিনানা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইনবগী অচৌবা আশা অমগা লোয়ননা টুর্নামেন্ট অসিদা শান্নরকখিবী জর্মেনিগী এঞ্জেলিক কর্বরবু অকনবা লম্বা অমা থেংনরগা স্বিটোলিনানা ৬–৩, ৭–৬ (৭–৩)দা মায়থিবা পীদুনা কর্বরগী ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইবা য়াবগী তাঞ্জা অদু মাঙজখি।

অতোপ্পা সেমিফাইনেল মেটচ অমদনা দেনমার্ক্কী কেরোলিন ৱাজনিয়াকিনা লাটভিয়াগী শান্নরোই অনাষ্টেসিয়া সেবাষ্টোভাবু ৬–৩, ৬–৪দা মায়থিবা পীরমখি।

ঙরাং শান্নখিবা ডুবাই ওপন টেন্নিস চেম্পিয়ন্সিপকী নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা এলিনা স্বিটোলিনা অমসুং কেরোলিন ৱাজনিয়াকিনা য়াম্না কন্না অহানবা সেটতগী হৌরগা লম্বা তৌনরকখি।

অহানবা সেট অদুদা শান্নরোই অনীম্মক্না গেম ৮ লোয়শিল্লক্ল ফাওবদা গেম ৪–৪ থোইনদুনা লৈনখিবদগী মখাতাবা গেমশিংদা মখোয় অনীনা অমুক্কা হেন্না চেকশিন্না শান্নখি।

স্বিটোলিনানা ৱাজনিয়াকীগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌখিবা অমদি মহাক মশানা তৌখিবা সার্ভিস গেহম হোল্ড তৌবা ঙমদুনা সেট অদু ৬–৪দা থোইখি।

ফাইনেল মেটচ অদুদা সেট অমা শোংথরবা কেরোলিন ৱাজনিয়াকিনা ফাইনেল অদুদা মখাতানা মায়পাক্কবা শান্নবা হৌরকপনি। অদুবু স্বিটোলিনানা মহাক্কী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌবা ঙমদুনা সেট অদু ৬–২দা থোইদুনা নুপীগী সিঙ্গলস চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখিবনি।

ফ্রান্সকী সহর মার্সিএলদা পাঙথোকপা এটিপি টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা ওপন ১৩ হায়নসু খঙনবা মার্সিএল ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী ফাইনেল মেটচতা টুর্নামেন্ট অদুগী য়ুম্বু লৈবাক ফ্রান্সকী শান্নরোই অনীগী লম্বাদা জো ৱিলফ্রেদ সোঙ্গানা লুকাস পোইলিবু ষ্ট্রেট সেট ২দা মায়থিবা পীদুনা টাইটল লৌবা ঙমখি।

নিংশিংবা য়াবদি জো ৱিলফ্রেদ সোঙ্গানা মহাক্কী সেমিফাইনেল মেটচতা ওষ্ট্রেলিয়াগী শান্নরোই নিক ক্রাইগিয়োসপু য়াম্না অকনবা লম্বা অমদা সেট ২–১দা মায়পাকখিবনি।

অহানবা সেট অদু জো ৱিলফ্রেদ সোঙ্গানা টাইব্রেক্তা ৭–৬ (৭–৫)তা থোইখি। অনীশুবা সেট অদুদদি ওষ্টেলিয়াগী শান্নরোই ওইরিবা নিক ক্রাইগিওসনা অমুক য়াম্না ফজবা মওংদা শান্নরত্তুনা সোঙ্গাগী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা ৬–২দা থোইদুনা সেমিফাইনেল মেটচ অদু য়াম্না নুঙাইবা মওংদা সেট অমমম মায়পাক্লদুনা দিসাইদিং সেট শান্ননবা শেম শান্নখি।

অরোইবা অমদি অহুমশুবা সেট অদুদা শান্নরোই অনীম্মক্না মখোয় মখোয়গী সার্ভিস হোল্ড তৌনদনা গেম ৮ য়ৌরকখি।

ফ্রান্সকী শান্নরোই জো ৱিলফ্রেদ সোঙ্গানা থংনবা গেম অনী থোইদুনা ৬–৪দা থোইদুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

অতোপ্পা সেমিফাইনেল মেটচ অমদা ফ্রান্সকী লুকাস পোইলিনা অতোপ্পা ফ্রান্সকী শান্নরোই রিচার্দ গাস্কিবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৭–৫, ৬–৩দা থোইদুনা ফাইনেল য়ৌরকখি।


ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদুদা অহানবা সেট অদু ফ্রান্সকী জো ৱিলফ্রেদ সোঙ্গানা অহানবা সেট অদু লুকাস পোইলিবু য়াম্না কন্না লম্বা থেংনরবা মতুংদা পোইলিগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৪দা মায়পাকপদগী ফাইনেল অদুদা সেট ১–০দা মাংজিল থাখি। অনীশুবা সেট অদুসু সোঙ্গানা চপ মান্নবা স্কোরদা ৬–৪দা থোইদুনা নুপাগী চেম্পিয়ন ওইখি।



*ডুবাই ওপন ট্রোফি পায়দুনা হরাওবা উৎলিবী স্বিটোলিনা*



*মার্সিএল ওপন টাইটল লৌখ্রবা জো ৱিলফ্রেদ সোঙ্গানা বোল য়ৈবা*




হৌখিবা চহী অনীদা এনপিএস টয়ার ।। গী শেল তুংশিনবদা লৈখিবা ফিভম (দিসেম্বর ৩১, ২০১৬ ফাওবদা)

| এসেটকী মওং | বেঞ্চমার্ক রিটর্ন | এসবিআই পিএফ | এলআইসি পিএফ | য়ুটিআইআরএসএল | আইসিআইসিআই পিএফ | রিলাইয়েন্স পিএফ | কোটাক পিএফ | ঐচদিএফসি পিএফ |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| ইক্যুইটি | 0.55% | 2.37% | 1.46% | 2.33% | 1.43% | 1.19% | 1.20% | 2.64% |
| কোর্পোরেট বোন্দশিং | 11.88% | 11.51% | 12.20% | 11.17% | 12.13% | 11.15% | 11.60% | 11.33% |
| গভর্নমেন্ট সিক্যুরিটিশিং | 11.70% | 12.18% | 11.45% | 11.65% | 11.87% | 12.03% | 12.09% | 11.63% |







Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: H. Achouba Sharma, Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*